# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, FEBRUARY 9, 2016 PAGE 7


*গুৱাহাটি অমদি শিল্লোংদা চথরিবা ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা নুপীগী স্কৱাসকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী জোসনা চিনাপা*

*ফ্রান্সকী সহর মোন্টপেলিয়রদা পাঙথোকপা মোন্টপেলিয়র টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা মায় পাকপা ঙমখ্রবা রিচার্দ গাস্কিনা ট্রোফি পায়বা*

## ১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমস ২০১৬

# ব্রুসুদা মণিপুরগী পুন্সিবা মৈতৈনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে সাইক্লিংদসু বিদ্যালক্ষ্মী অমসুং চাউবনা গোল্ড অমমম লৌখ্রে





*ব্রুসুগী নুপাগী নানক্কান অমসুং নাগুনগী ফাইনেলদা নেপালগী যুবরাজদা পোইন্ট ফংবা কিক অমা কাউরিবা পুন্সিবা মৈতৈ*

গুৱাহাটি/শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ৮ঃ

১২ শুবা সাউথ এসিয়ান গেমসতা ঙসি মণিপুরগী ব্রুসু শান্নরোই এম পুন্সিবা মৈতৈনা নুপাগী নানক্কান অমসুং নাগুন দা গোল্ড মেডল অমা ফংখ্রে। লোয়ননা নুপীগী কিলোমিটর ৪০ টাইম ট্রাইলদা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট টি বিদ্যালক্ষ্মী অমসুং চাউবা দেবি য়াওবা টিম্না গোল্ডঅমসু লৌখ্রে।

শিল্লোংগী লটিকোদা লৈবা রাইজিং স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ব্রুসু সিদিপ্লিনগী নুপাগী নানক্কান অমসুং নাগুন ইভেন্টতা মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোই এম পুন্সিবা মৈতৈনা ফাইনেলদা নেপালগী যুবরাজ থাপাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমদুনা দিসিপ্লিন অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই অনীনা গোল্ড মেডল অনী ফংবা ঙম্লি।

পুন্সিবা মৈতৈগী ঙসি ফংলিবা গোল্ড মেডল অসিগী মাঙওইননা নুপীগী চানক্কান ইভেন্টতা মণিপুরগী ৱাই সপনানা গোল্ড মেডল অমা ফং খ্রবনি।

ঙসি পুন্সিবা মৈতৈ অমসুং নেপালগী যুবরাজ থাপাগা লম্বা তৌনখিবা নানক্কান অমসুং নাগুনগী ইভেন্ট অদুদা নানক্কান্দা পুন্সিবনা পুন্না পোইন্ট ৯.৪ ফংবদা নেপালগী যুবরাজনা ৮.৪১ ফংখিবনি। অদুবু নাগুনগী লম্বা তৌনবদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখিবদগী শুপ্নগী পোইন্ট মখায় ফাদনা যুবরাজনা ৯.২৫ ফংলগা পুন্সিবনা ৯.২ ফংখিবদগী অপুনবা স্কোর য়েংনবদা পুন্সিবনা ১৮.৬ অদুগা যুবরাজনা ১৭.৬৬ ফংলগা লৈনখিবদগী গোল্ড অদু পুন্সিবনা ফংলগা সিলবর অদুনা যুবরাজনা লৌখি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদু শ্রীলঙ্কাগী মনুরঙ্গননা ফংখি।

কেটেগোরি অসিগী নানক্কান অমসুং নাগুন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী স্বেছা যাটববু শুপ্নগী পোইন্ট ০.৫৮ তা হেনখিবা নেপালগী নিমা গার্থি মগরনা নুপীগী ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদু ফংখি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পাকিস্তানগী মুবস্রা আক্তুরনা ফংখি।

ব্রুসুগী দিসিপ্লিন অসিদা মণিপুরদগী হৌখিবী সনাথোই দেবি, অরুনপমা দেবি অমসুং পুজা কাদিয়ান্না মখোয়-মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা কেটেগোরিদা ফাইনেল য়ৌখিবদগী মেডল অহুমদি শোইদনা ফংলগনি।

### সাইক্লিং

সাইক্লিংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম্না কিলোমিটর ৪০ গী টাইম ট্রাইলদা মিনিট ৫৯.২৩ দা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিভিজুয়েলগী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখ্রবী মণিপুরদগী হৌখিবা সাইক্লিষ্ট টি বিদ্যালক্ষ্মী, অতোপ্পা মণিপুরগী সাইক্লিষ্ট চাউবা দেবি অমসুং রুতুজা অমদি মনিসা য়াওবা টিম অসিনা মখোয়গী নক্কবা লম্বা ওইখিবা শ্রীলঙ্কাগী টিম্বু মায়থিবা পীবা ঙমখি।

নুপাগী কিলোমিটর ৪০ গী টাইম ট্রাইলদা ইন্দিয়াগী আর্বিন্দ, মনজিৎ, দিপক অমসুং মনোহরনা টিম অদুগী গোল্ড মেডল ফংখি। ইভেন্ট অদুদা পাকিস্তান অমসুং শ্রীলঙ্কানা মথংশিৎনা সিলবর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

### রেষ্টলিং

গোল্ড মেডল ১৬ লৈবা রেষ্টলিং দিসিপ্লিন্দা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা গোল্ড মেডল ১৬ ফংলগা মেডল অনী অমনা সিলভর মেডল ফংখিবনি।



*নুপীগী কিলোমিটর ৪০ গী টাইম ট্রাইলদা গোল্ড ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী বিদ্যালক্ষ্মী ( ময়ায়) অমসুং চাউবা দেবি (ওই)*

**MEDAL TALLY**

| Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|
| India | 53 | 20 | 6 | 79 |
| Sri Lanka | 11 | 27 | 23 | 61 |
| Pakistan | 4 | 11 | 14 | 29 |
| Bangladesh | 3 | 7 | 21 | 31 |
| Nepal | 1 | 4 | 7 | 12 |
| Afghanistan | 0 | 2 | 5 | 7 |
| Bhutan | 0 | 1 | 1 | 2 |
| Maldives | 0 | 0 | 1 | 1 |

# শ্রীলঙ্কানা ইংলেন্দ থোইদুনা ইন্দিয়াগা সেমি ফাইনেল শান্নরগনি

মিরপুর , ফেব্রুৱারী ৮ঃ

বংলাদেশনা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা চহী ১৯ মখাগী আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা শ্রীলঙ্কানা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দনা মেটচ অদুদা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা শ্রীলঙ্কাগী বোল্লরশিংগী ফজবা মশান্নগী মমাঙদা পাউখুম পীবা ঙমদদুনা ৫০ শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৮৪ খক লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী টেলরনা রন ৪২ লৌবা ঙমখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। মহাকপু মতেং খরা পাঙখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং অদুদি বার্টলেদ, কুরান অমসুং গ্রিননি। মখোয়না মথংশিৎনা রন ২৫, ২৫ অমসুং ২৬ লৌরমখি।

শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী ইংলেন্দগী বেটসমেনশিং অদুবু রন লৌহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা বোল্লর অদু দি সিলভানি। মহাক্না ইংলেন্দগী বেটসমেন ৩ আউট তাহল্লগা রন ৩৪ পীখি।

মায় পাক্নবা শ্রীলঙ্কানা দরকার ওইখিবা রন ১৮৫ অদু শ্রীলঙ্কাগী বেটসমেন ৪ আউট ওইরগা ওভর ৩৬ কী মরিশুবা বোলদা মায় পাকপগী রন অদু লাম্হোকপা ঙমখিবদগী মেটচ অদু শ্রীলঙ্কানা ৱিকেট ৬ তা থোইখিবনি।

শ্রীলঙ্কাগী মায়কৈদগী অভিসকা ফর্নাদোনা বোল ৯৬ তা রন ৯৫ লৌদুনা টিম অদুবু মায় পাক্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্লবা শ্রীলঙ্কা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী চহী ১৯ মখাগী আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

# সিটো ওপন ষ্টেট লেভেলগী মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৮ঃ

থা অসিগী ৩ দগী ৫ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী সম্থে নেচরেল পার্কতা লৈবা এ দল্লিয়ু বি আর ৱাই সি (অন্দ্রো ৱেষ্টর্ন বারুনি রোর্দ য়ুথ ক্লব) কী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা সিটো ওপন ষ্টেট লেভেল করাটে-দো চেম্পিয়নসিপ্তা মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোইশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদু অন্দ্রো কেন্দ্রগী এম এল এ ওইরিবা টি ঐস শ্যামকুমারনা অথোইবা মীথুং ওইখি। অন্দ্রোগী খুল্লাকপা সি ঐস গন্ধার মৈতৈনা থৌরম মপু অদুগা তাকয়েলগী সাই এন ই আর সি গী দিরেক্তর ইন-চার্জ এ জাদুমনিনা ইকাই খুম্নবা মীথুং ওইদুনা থৌরম অদু পাঙথোকখি হায়রি।

টিম ইভেন্টতা আই এস কে এফ কংলৈ সিতো রু করাটেদোনা নুপা অমসুং নুপীগী ওপন টিম কাতাদা মকোক ওইখি। ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা কোফুকান সিটো রু না গোল্ড মেডল ১৯ ফংলগা মকোক ওইখি। অদুগা আই এস কে এফ না গোল্ড মেডল ১৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

# নাপোলি অমসুং পি এস জিনা মখোয়-মখোয়গী লীগ মাঙজিল থারি



*জুবেন্টসকী পোল পোগবা (মমাঙ) অমসুং ফ্রোসিনোনগী রামনগা বোল মুন্নবা*

নেপলস, ফেব্রুৱারী ৮ঃ

ইটালিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাঙদা লীগ অসিগী মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লিবা এস এস নাপোলিনা কার্পি এফ সি বু থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অদুম্মক মাঙজিল থাবা ঙম্লি। অমরোমদা ফ্রান্সকী লিগে ৱানদা নক্কবা টিমশিংনা তান্নবা ফঙলোইদবা মওংদা মাঙজিল থারিবা পি এস জি না ওলেম্পিক মার্সিয়েলবু থোইদুনা টাইটলগী লম্বেলদা অয়েৎপা পীবা ঙমদনা লৈরি।

সেরি এ গী ঙরাং শান্নখিবা নাপোলি অমসুং কার্পি এফ সি গী মেটচ অদুদা নাপোলিগী মায়কৈদগী গোঞ্জালো হিগ্বান্না মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন দুনা কার্পিবু মায়থিবা পীখিবনি। পনবা য়াবদি নাপোলিনা ঙরাং মায় পাকখিবা মেটচ অদু লীগ মেটচ ৮ থংন-থংননা মায় পাকপা ঙম্বা ওইরিবনি।

লীগ অসিদা নাপোলিবু য়াম্না কন্না তান্নরক্লিবা জুবেন্টসকী টিমসু ঙরাং ফ্রোসিনোনবু পাঞ্জল ২-০ থোইবা ঙমদুনা নাপোলিদগী পোইন্ট অনীখক হন্থরগা লীগ টেবলদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।

ফ্রান্সতা চথরিবা লিগে ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা নক্কবা লম্বাশিংনা তান্নবা ঙম্লোইদবা মওংদা মাঙজিল থাদুনা লৈরবা পেরিস সেন্ট জর্মেননা মখোয়গী মতম কুইনদগী লম্বা ওইদুনা লাক্লবা ওলেম্পিক দি মার্সিয়েলবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ২৫ দগী পোইন্ট ৬৯ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা মোনাকো টিমদগী পোইন্ট ২৪ হেন দুনা মাঙজিল থাবা ঙম্লি।

পি এস জি অমসুং মার্সিয়েলগা শান্নখিবা ঙরাংগী মেটচ অদুদা মেটচ ৱিন্নর অদু টিম অদুদা শরুক য়ারিবা আর্জেন্টিনা মচা এঞ্জেল দি মারিয়ানা ৭১ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু পি এস জি গী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর ইব্রাহিমোবিসনা চনখিবনি।

মার্সিয়েলগী মায়কৈদগী রেমি কাবেলানা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মার্সিয়েলগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনদুনা মায় পাকপগী পাঞ্জল থিরিঙৈ পি এস জি গী মায়কৈদগী দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুনা মেটচ অদু মখোয়না থোইখিবনি।

জর্মনিগী বুন্দেসলিগাদা হেমবর্গ এস ভি অমসুং কোলোননা শান্নখিবা মেটচ অদু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। টিম অনীমক লীগ অসিগী ওইনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ ৫ মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি। ঙরাংগী দ্রো চৎখিবা অদুনা মায় পাকপগী লম্বেল অদু উবা ঙমদুনা টিম অনীমক লৈখিবদগী বুন্দেসলিগাগী দ্রোপ জোন নকশিল্লক্তুনা লৈরি।

# পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা কালিঙ্গা লেন্সর্সপু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে

ভুবনেশ্বর , ফেব্রুৱারী ৮ঃ

হিরো হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী ঙরাং উরিষাগী সহর ভুবনেশ্বরদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা কালিঙ্গা লেন্সর্সপু পাঞ্জল ৪-১ মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মফম অদুগী ক্লব অমা ওইরিবা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মায়কৈদা পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী সাইমন ওর্কার্দ অমসুং সটবির সিংহনা ফিল্ড গোল অমমম চনখিবা অমদি পেনাল্টি কোর্নরদা টিম অদুনা পাঞ্জল অনী অমগা হাপচিনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৪২ শুবা মিনিটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী গ্লেন টর্নরনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। ইকান কান্নদনা পঞ্জাবগী ওর্কার্দনা ৪৮ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

শান্নবগী ৫৮ শুবা মিনিটতা পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী সটবির সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। লোয়ননা পঞ্জাব ৱারিয়র্সকী মায়কৈদগী পেনাল্টি পাঞ্জল অনী চনখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ৪-১ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসন দা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

কালিঙ্গা লেন্সর্সনা ঙসি অথেংবদা মমাঙগী চেম্পিয়ন রাঞ্চি রেজগা ভুবনেশ্বরদা লম্বা তৌনরগনি অদুগা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা পঞ্জাব ৱারিয়র্সনা য়ু পি ৱিজার্দকা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা উত্তর প্রদেশকী সহর লক্ষনৌদা শান্নরগনি।

# চিরুনা পি দল্লিয়ু দি এ সি থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ৮ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা মপাল ষ্টেটকী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা পি দল্লিয়ু দি এ সি শিলচরবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা পি দল্লিয়ু দি এ সি শিলচরনা টোস ঙমদুনা সাইদ খনবখি অদুগা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা বোল কাউবা হৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ মমাঙদা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারনা পি দল্লিয়ু দি এ সি শিলচরবু খরা লাকচনা শান্নবা উখি। চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারগী লোরি, অফসন অমদি নিমদাইলিয়ুনা মথংশিৎনা ১৪, ৩৫ অমদি ৪৩ শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অহানবা হাল্ফ মমাঙদা চিরু স্পোর্টিং ক্লবনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা পি দল্লিয়ু দি এ সি শিলচরগী শান্নরোই দিলুৱানা ৫০ শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং ৯০ শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অদুবু শান্নবগী অপীবা মতম লোইদুনা মেটচ অদু গোল ৩-২ দা পি দল্লিয়ু দি এ সি শিলচরনা চিরু স্পোর্টিং ক্লব কছারবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকহনখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ শান্নখিবা মেটচ অদুদা অজিজ হাইদর, পি রাজেস সিংহ, সটশুং অমদি এ ইবোতোন সিংহনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি অমদি ফোর্থ রেফরি ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।


ADMISSION STARTS

For New Batch

GENERAL FOUNDATION COURSE

[ GFC ]

For Banking, SSC and Other Competitive Exams

For limited seats

CLASS STARTING FROM 22-02-2016
TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM

For limited seats

SPECIAL EMPHASIS ON :
- Verbal Reasoning
- Numerical Aptitude
- Banking Awareness
- Computer Awareness
- Non-Verbal Reasoning
- Indian Economy
- Marketing Awareness
- Current Affairs, etc.

SPECIAL FEATURES
- Supply of Study Materials
- Online exam practice class
- Regular Sectional Tests

Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/ 3 feb to 6 march


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 76/SDC/P of 2016

**Yaithangbam (O) Erabati Devi** W/o (L) Yaima Singh of Khurai Thangjam Leikai

Petitioner

-Vs-

Y. Yaima Singh S/O (L) Thambalngou Singh of Khurai Thangjam Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th February, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 25-Soibam Leikai গী Patta No. 66 (অরিবা) 66/1086 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 471/714 an area .038 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুং দা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকং court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/161(c)/9

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 77/SDC/P of 2016

**1. Lourembam (O) Sabina Devi** W/o (L) L. Ibochouba Singh of Wangkhei Lourembam Leikai
2. L. Tombi Devi D/o (L) -do- of- do-

Petitioners

-Vs-

L. Ibochouba Singh S/o (L) Birchandra Singh of Wangkhei Lourembam Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 8th February, 2016

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 27-Wangkhei Nongpok গী Patta No. 201 (অরিবা) 423/1453 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1306/2480 an area .0512 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চখগনি মতুংদা লাকপা ৱাকং court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/161(d)/9